# ‘মালদিভসতা মপান্দগী খুৎ থীংজিনবা চাইনানা ওপোজ তৌই’



**বৈজিং, জন্যুৱারী ১১ (এজেন্সি) :** মালদিভসকী মনুং ওইবা ৱাথোক্তা মপান্দগী খুৎ থীংজিনবগী থৌওং ঐখোয়না অকনবা মওংদা ওপোজ তৌই অমসুং ইথৎ লৈবাক অদুগী সোভরেন্টি অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট শৌগৎলি হায়না ঙসি চাইনানা ফোঙদোকখ্রে।

মালদিভসকী প্রসিদেন্ট মোহম্মদ মুইজুনা মহাক্কী চাইনাদা চৎপা ষ্টেট খোঙচৎ লোইশিনখিবগা লোয়ননা বৈজিংনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। মোইজুনা চাইনাগী লুচিংবশিংগা ৱারী শানবা লোইবদা ইস্যু তৌখিবা অপুনবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়রিবদি লৈবাক অনিনা মখোয়গী মরুওইবা ইন্টরেষ্টশিং সেফগার্দ তৌনবা হোৎনবদা অমনা অমবু মখা তানা শৌগৎনবগী ৱাফম য়ানরে।

জোইন্ট ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়রিবদি মালদিভসকী নেসনেল সোভরেন্টি, নীং-তম্বা অমসুং নেসনেল দিগনিটিগী ৱাফমশিং চাইনানা চেৎনা সপোর্ট তৌই অমদি ইথৎ লৈবাক অসিনা মশাগী নেসনেল কন্দিসনশিংগা চানগদবা মওংদা চাওখৎচনবগী লম্বীশিং থীজবদসু চাইনানা শৌগৎলি অমদি মালদিভসকী মনুংগী ওইবা ৱাফমশিংদা মপান্দগী খুৎ থীংজিল্লকপগী থৌওং কন্না ওপোজ তৌই।

মালদিভসকী মিনিষ্টর ৩ না ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মায়োক্তা ৱাফম খরা ফোঙদোক্লুবদগী প্রো- বৈজিং লিদর অমনি হায়না লৌনবা মোইজুনা লুচিংবা মালদিভসনা ইন্দিয়াগা দিপ্লোমেটিক্কী উংখৎনবগী ফিভম অমদা চেন্নরক্লবা মতম অমদা বৈজিংনা ৱাফম অদু ফোঙদোরক্লিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী মায়োক্তা ফজদবা ৱাফমশিং মতুংদা ফোঙদোক্তনবা ৱার্নিং পীবগা লোয়ননা মোইজুনা ৱাথোক অদুদা চেন্নরিবা মিনিষ্টরশিং সস্পেন্দ তৌখি। মালদিভসকী মাইকৈদগী জোইন্ট ষ্টেটমেন্ট অদুদা হায়রিবদি মালদিভসনা ৱান-চাইনা প্রিন্সিপল শৌগৎপগা লোয়ননা মালেমদা চাইনা হায়বা লৈবাক অমখক লৈ হায়না মালদিভসনা রিকোগনাইজ তৌই।

গভর্নমেন্ট ওফ পিপলস রিপব্লিক ওফ চাইনা অসি চাইনা অপুম্বা রিপ্রজেন্ট তৌরিবা অমত্তা ঙাইরবা লিগেল গভর্নমেন্ট অমসুং টাইৱান অসি চাইনাগী টেরিটোরিগী তৎন-থানবা য়াদ্রবা শরুক অমনি। মখা তানা ষ্টেটমেন্ট অদুদা মালদিভসনা হায়রিবদি চাইনাগী সোভরেন্টি অমসুং টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটিদা শোক্কদবা ষ্টেটমেন্ট নৎত্রগা এক্সন খুদিংমক মালদিভসনা ওপোজ তৌবগা লোয়ননা টাইৱাননা নীং-তম্বা তানবগী সেপরেটিষ্ট এক্টিভিটি পুম্বা ওপোজ তৌবগা লোয়ননা টাইৱানগা মখল অমত্তগী ওফিসিয়েল মরি থম্লনবা হোৎনবা তৌরোই।

মালদিভসনা চাইনা মনুংগী ওইবা ৱাফমশিংদা ফিভম অমত্তগী খুদোংচাবা লৌরগা মপান্দগী খুৎ থীংজিনবগী থৌওং ওপোজ তৌই অমদি নেসনেল রিয়ুনিফিকেসন এচিভ তৌনবা চাইনানা হোৎনরিবা পুম্বা সপোর্ট তৌই।

মোইজু অমসুং চাইনিজ ৱারী শানবা লোইরবা মতুং যুমশকৈশ নুমিৎতা লৈবাক অনীনা এগ্রিমেন্ট ২০ খুৎয়েক পীনখিবনি। এগ্রিমেন্টশিং অদুদা ইথৎ লৈবাক অদুদা চাইনিজ টুরিষ্টশিংগী মশিং হেনগৎহন্নবা টুরিজমগী কোওপোরেসন পীনবা য়াওরি।

# রামগী লাইশঙ শঙ্গাবগী থৌরমদা পুরিগী সঙ্কর চার্য্য য়াওররোই

**ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ১১ (এজেন্সি) :** লাই লেংশিন্দুনা অয়োধ্যদা রামগী মন্দির শঙ্গাবগী অচৌবা থৌরমদা য়াওরোই হায়না পুরিগী শঙ্কর চার্য্যনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ইনফম থোকপা কাংলোনশিং নিংথিনা ঙাকপা উদে অমসুং মদুদা পোলিটিক্স য়াওই হায়রদুনা মহাক্না লৈবাক পুম্বনা ঙাইনরিবা অচৌবা থৌরম অদুদা শরুক য়ারোই হায়না লাউথোরকখিবনি।

পুরিদা লৈবা গোভর্ধননা মটকী পোন্টিফ নিষচালানন্দা সরস্বাতিনা ফোঙদোরকখিবদা থা অসিগী ২২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অদুদা পোলিটিকেলগী ইথিল চাওনা চংবনা মহাক মদুদা শরুক য়াররোই।

পুরিগী শঙ্কর চার্য্য অসিনা মখা তানা হায়, প্রাইম মিনিষ্টর শেংলবা মফম অদুদা লৈদুনা লাইগী মীতমদা শোক্কনি। মসিগী শেংলবা থৌরম অসিদা পোলিটিকেলগী ইথিল য়াওবা উরি। লোর্দ রামগী লাইশঙ শঙ্গাবগী থৌরম অসি লাইনিং লাইশোনগী ওইবা থৌরমশিংদা মীৎয়েং থম্লগা ইকায়খুম্ননিংঙাই ওইবা মওংদা পাঙথোকফম থোকই। হৌজিক পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অদু ঐহাক্না অথিংবা পীবা নৎত্রগা মদুদা য়াওবা তৌরোই।

উত্তরাখন্দদা লৈবা জিওটির মটকী পোন্টিফনসু মান্নবা ৱাখল্লোনশিং ফোঙদোক্লবসু দ্বারকা অমসুং শ্রিঙ্গেরি মটশিংগী মখোয়গী লেংমান্নবশিংগী থৌরম অদুবু শৌগৎপা ফোঙদোকখ্রবনি। শঙ্কর চার্য্য অসি হিন্দুইজমগী অদভাইতা বেদান্তা ত্রেদিসনদা পল্লিবা মটশিংগী হেদশিংগী টাইটল ওইনা শিজিন্নরিবনি।

মমাংঙৈদগী থাজনরকপগী মতুং ইন্না অদিল শঙ্কর চার্য্যনা অৱাংলোমদা বাদ্রিকাস্রম জিওটিস পিথতা, নোংচুপলোমদনা দ্বারকাগী সর্ধা পিথতা, নোংপোক্তনা পুরিগী গোভর্ধন পিথতা অমসুং খারোমদনা কর্নাটাকাগী চিকামাগুলর দিষ্ট্রিক্টকী স্রিঙ্গেরি শ্রাধা পিথমদা মট ৪ লিংখৎখিবনি হায়না থাজনরিবনি। থা অসিগী ২২ দা অযোধ্যদা রামগী মন্দির শঙ্গাবগী থৌরমদা য়াওগদৌরিবা মশক্লাইবা ইনভাইটিশিংগী মরক্তা পি এম নরেন্দ্র মোদি য়াওরিবনি।

# জিওনা অনৌবা রোমিং প্লানশিং লাউথোকখ্রে

**মুম্বাই, জন্যুৱারী ১১ (এজেন্সি) :** যুজরশিংগী ত্রাভেল এক্সপরিয়েন্সশিংদা অনৌবা মহাও অমা হাপ্লবা লৌখৎলকপা মরুওইবা খোঙথাং অমদা রিলাইন্স জিওনা হুন্দক্তা য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেট (য়ুএই) অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা মরী লৈননা ইন্টরনেসনেল রোমিং প্লান্ট কয়া লাউথোকখ্রে। রোমিং প্লান্টশিং অদুগা লোয়ননা মপুং ফাবা এন্যুএল প্লান্ট অমসুং লাউথোকখ্রে। টেলিকোম জাইন্ট অসিনা হন্থবা মমলদা ফ্লাইট দেটা পেকেজশিংসু লাউথোকখ্রে।


## ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়া

মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং, জি ও আইগী মখাদা লৈবা ওটোনোমস ইন্সটিট্যুট অমা

**এদমিসন নোটিশ**

**টেলিভিজনগী ‘‘চহী অমগী’’ পিজি সার্টিফিকেট কোর্সশিং (এআইসিটিই না এপ্রুভ তৌবা) দা এদমিসন তৌনবগী এপ্লিকেসনশিং কৌজরি।**

এপ্লাই তৌবীয়ু: ০৪/০২/২০২৪ ফাওদা — একজামিনেসনগী তারিক: ১১/০২/২০২৪

অকুপ্পশিংগীদমক, ইন্সটিট্যুট অসিগী ৱেবসাইট www.ftii.ac.in দা ভিজিট তৌবীয়ু।

cbc 22104/12/0003/2324



## ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া
## থৌবাল ব্রাঞ্চ (০৪৪৬১)
## থৌবাল, মণিপুর
## ওক্সনদা য়োন্নবগী বিদশিং কৌজবা নোটিশ

ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা ফাইনান্স তৌখিবা অমসুং পীফম থোকপা শেনফম পীবা ঙমদ্রবা বোরোৱরদগী ফাজিল্লবা মখাগী গাড়ী অসি য়োল্লগনি। গাড়ী অসিবু লৈবা পান্বীবা মীওইশিংনা ফিজিকেল ইন্সপেক্সন অমসুং গাড়ীগী অকুপ্পশিংগীদমক ঐখোয়গী ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সি এম/এস প্রেম এন্দ এসোসিয়েটসতা কন্টেক্ট তৌবীবা য়াগনি। ওফর তৌগদৌরিবা বিদ অদু ইন্টরেষ্ট য়াওদবা আর্নেষ্ট মনি দিপোজিৎ ওইনবা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, থৌবাল ব্রাঞ্চকী ফেবরদা রিফন্দেবল/এজসটেবল ওইবা লুপা ২৫,০০০/- গী বেঙ্কর’স চেক নত্রগা পে ওর্দর অমা লোয়নবীরক্কদবনি। অপান্বা বাইয়রনা মখোয়গী ওফর অদু “গাড়ী নম্বর এমএন০১এজি-২৩০১ লৈনবগী টেন্দর নত্রগা রেজিষ্টরদ ওনর মিষ্টর এম দি অব্দুল নুরগী মিং ইংবা সিল তৌবা ইনভেলপতা হাপ্লগা ২৫.০১.২০২৪ গী নুংথিল পুং ৩ দা নত্রগা মমাংদা মরী লৈনবা ব্রাঞ্চতা সবমিট তৌবীগদবনি। মায় পাক্লবা বিদর (শিং) না মহাক্কী/মখোয়গী ওফর বেঙ্কনা এক্সেপ্ট তৌখিবা তারিক্তগী পারগা নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা কোট তৌরিবা মমল মপুং ফানা দিপোজিট তৌগদবনি। হায়রিবসি তৌদবা তারবদি মহাক্কী/মখোয়গী আর্নেষ্ট মনি অদু মৎকনি। বেঙ্কনা মরম অমত্তা পীদনা ওফর অমা নত্রগা ওফর খুদিংমক এক্সেপ্ট তৌবা নত্রগা রিজেক্ট তৌবগী রাইট রিজার্ভ তৌরি। রিজার্ভ তৌবা মমলগী মথক ওইবা টেন্দরশিং খন্নরকপা য়াই। টেন্দর অদু বেঙ্ক ব্রাঞ্চতা ২৬.০১.২০২৪ গী অয়ুক পুং ১০ দা হাংগনি।

**গাড়ীগী পার্টিকুলরশিং**

| সে: নং | গাড়ীগী টাইপ | রেজিষ্টরদ নং | রিজার্ভ মমল | রেজিষ্টরদ ওনরগী মমিং | টেন্দর থাদগদবা ব্রাঞ্চকী মিং |
|---|---|---|---|---|---|
| ১. | মরুটি সুজুকি Celerio VXi | MN01AG-2301 | ২,৫০,০০০/- | মিষ্টর এম দি অব্দুল নুর | এস বি আই থৌবাল ব্রাঞ্চ |

**টামশিং অমসুং কন্দিসনশিং:-**

১. টেন্দরশিং মথক্তা পল্লিবা আর্নেষ্ট মনি য়াওরক্কদবনি।
২. গাড়ী (শিং) রিজার্ভদ মমলদগী হন্থনা য়োল্লোই।
৩. টেন্দর এক্সেপ্ট তৌখিবা তারিক্তগী পারগা নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা ফুল এমাউন্ট দিপোজিৎ তৌগদবনি।
৪. গাড়ী (শিং) “হৌজিক লৈরিবা ফিভম” দা য়োনগনি।
৫. মায় পাক্লবা বিদরশিংনা ফুল পেমেন্ট তৌরবা মতুং খুদক্তা গাড়ী অদু লৌগদবনি।
৬. বেঙ্কনা মরম অমত্তা পীদনা বিদ এক্সেপ্ট তৌবা নৎত্রগা রিজেক্ট তৌবা নৎত্রগা ওক্সন এদজোর্ন/পোস্পোন্দ তৌবগী য়েৎনিংঙাই ওইদবা রাইট রিজার্ভ তৌরি।
৭. অপান্বা বিদরশিংনা টেলিফোনগী খুত্থাংদা ঐখোয়গী ইনফোর্সমেন্ট এজেন্টকা মখোয়গী কন্টেক্ট নম্বর ৭০০৫১৯০০২১ দা ফাওনরগা শিন্দোক শিঞ্জিন তৌদুনা গাড়ী অদু য়েংবা য়াগনি।

HL-B/8487/12 Jan. — এসদি/- ওথোরাইজ ওফিসার


# টাইৱানগী মীখলদা খুৎ থীংজিন্দনবা চাইনাদা তকশিনখ্রে

**ৱাশিংটন, জন্যুৱারী ১১ (এজেন্সি) :** চাইনাদা ময়েক শেংলবা ইঙ্গিৎ অমা পীদুনা টাইৱানগী লাক্লিবা প্রসিদেন্সিয়েল অমসুং পার্লিয়ামেন্টরি মীখলশিংদা মপান্দগী খুৎ থীংজিনবা অমদি ইথিল পীনবা থৌওং পুন্নমক য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ওপোজ তৌই হায়বা খঙহনখ্রে হায়না বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসনগী সেনিয়র ওফিসিয়েল অমনা হায়রি।

থা অসিগী ১৩ দা টাইৱানগী মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা অসি প্রসিদেন্ট জো বাইদেন অমসুং চাইনাগী মহাক্কী লেংমান্নবা সি জিনপিংনা হৌখিবা চহীগী নভেম্বরদা কালিফোর্নিয়াদা উন্নখিবদা মিলিটরি মশেলগী ওইবা মরী অমা নৌহৌননা শেমগৎখিবগা মরী লৈননা য়ু এস অমসুং চাইনাগী মরী অরুবা তাঙ্কক অমদা লৈরিঙৈদা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

মশক মমিং খঙহন্নিংদবা ওফিসিয়েল অদুনা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়রিবদি ৱাশিংটননা মীখলদা নাকল অমদা তোংশিনবা নত্রগা শৌগৎপা লৈতবগা লোয়ননা হেন্না পান্বা ফেবরাইট কেন্দিদেট অমা খনবগী ৱাফমসু লৈতে। টাইৱানগী মীখলশিংদা মপান্দগী খুৎ থীংজিল্লকপা নত্রগা ইথিল পীনবা হোৎনরকপশিং ঐখোয়না ওপোজ তৌই।

মীখলদা কনানা মায় পাক্কদগে হায়বগী ৱাফম থীদনা ঐখোয়গী পোলিসিদি হান্নদগী লৈরক্লিবা অসিগা অদুম মান্নগনি অমসুং হান্নদগী ঐখোয়না টাইৱানগা ওফিসিয়েল ওইবা অচেৎ মরী অমা থম্নদুনা লাক্লিবসি মখা তানা চত্থগনি।

পনবা য়াবদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অসি টাইৱানবু শৌগৎপা খ্বাইদগী মরুওইবা লৈবাক্নি। টাইৱানগা হৌনবী মতুং ইন্না দিপ্লোমেটিককী মরী থম্নদ্রবসু য়ু এস না মতম শাংনা ইথৎ অসিদা খুৎলাই সপ্লাই তৌদুনা লাকখি। হন্দক মীখল পাঙথোক্কদৌরিবসি টাইৱান অমসুং চাইনাগী মরক্তা ৱাহৈগী লান কন্না কনখৎলক্লিঙৈ মরক্তনি। টাইৱানগী গভর্নমেন্টনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লাক্লবসু চাইনানা ইথৎ অসিবু মথৌ তারবদি লান ফাওবা তৌদুনা লৌশিনগদবা মশাগী টেরিটোরিনি হায়না লৌরিবনি। ৱাশিংটননা মশাদা লৈঙাকচবা ইথৎ অসিগী ষ্টেটসক্তো কায়হন্দনা থম্বা পাল্লিবনি।

# ‘ত্রম্পনা য়ুরোপ্তা মতেং পাংলোই হায়খি’

**ব্রাসেলস, জন্যুৱারী ১১ (এজেন্সি) :** করিগুম্বা য়ুরোপ্তা মিলিটরি এটেক চত্থরকপা তারবদি য়ু এসনা য়ুরোপ্পু মতেং পাংলোই হায়না য়ু এসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা কুমজা ২০২০ দা দাবোসতা ৱর্ল্ড ইকনমিক ফোরমগী মীফম অমদা য়ুরোপিয়ান কম্মিসনগী প্রসিদেন্ট উরসুলা ভোন দের লেয়েনদা খঙহনখি হায়না ইয়ু গী ওফিসিয়েল অমা পল্লদুনা পোলিটিকোগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ব্রাসেলসতা য়ুরোপিয়ান পার্লিয়ামেন্টকী থৌরম অমদা ৱা ঙাঙলদুনা য়ুরোপিয়ান কম্মিস্না রফোর দ ইন্টরনেল মার্কেট থিয়েরি ব্রেটননা হায়খি মদুদি, দাবোসকী মীফম অদুদা ত্রম্পনা ইয়ুগী চিফতা করিগুম্বা য়ুরোপ্তা এটেক চত্থরকপা তারবদি ঐখোয়না (অমেরিকানা) নখোয়বু মতেং পাংলোই হায়বসি খঙবীগদবনি।

দাবোসকী মীফম অদুদসু শরুক য়াখিবা ব্রেটননা হায়রিবদি ত্রম্পনা বোন্দেরলেন্দদা নাটো অসি শিরে অমসুং এলাইন্স অদুদগী য়ু এস তোক্লগনি হায়নসু খঙহনখি। রিপব্লিকান পার্টিনা আইয়োৱাদা ৫শুবা প্রসিদেন্সিয়েল দিবেট পাঙথোক্লিঙৈ মতমদা ইয়ুগী ওফিসিয়েল অসিনা ত্রম্পকী মরমদা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।


**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (CENTRAL) : MANIPUR**

**Ref :- Mut. Case No. 29/SDC/IW(C) of 2024 dt. 10/1/2024**

Thounaojam Premjit Singh, S/o (L) Pocha Singh of Kwakeithel Thounaojam Leikai

- Petitioner(s)

- Versus -

(Late) Thounaojam Ongbi Ranjana Devi, W/o (L) Gandha Singh of Kwakeithel Thounaojam Leikai

- O.P (s)

**NOTICE**

Lamphel, 11-01-2024

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা Thounaojam Ongbi Ranjana Devi গী মিংদা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট তাহশিলগী খুল নং 85-Sagolband অরিবা পাট্টা নম্বর 686,687 অনৌবা পাট্টা নম্বর 1170/4097 দাগ নং 3175/3262 অমসুং এরিয়া .0239 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিগী মচানিপাগী মমিংদা পানবিনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West (Central) উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ-চে অসিনা ফোংলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/- **B.C. to SDC/IW (C)** Manipur

HL-P/9180/12 Jan.



**BOARD OF SECONDARY EDUCATION MANIPUR**

**NOTIFICATION**

Imphal, the 5th Jan. 2024

No. Record(Misc)/24(Pt)/1473 It is notified for information of all concerned that for students appearing in the forthcoming H.S.L.C. Exam-2024, forms for correction of Candidate's, father's and mother's name and date of birth are to be submitted to the Board's Office during working hours on or before 31st Jan., 2024. For Correction Forms submitted by the above category of students beyond 31st January, 2024, a fee of Rs. 3500/- shall have to be paid at the Board's Cash Counter as replacement fee.

Sd/-
**Dr. S. Mangijao Singh**
Secretary,

HL-P/9175/12 Jan.













## ইন্দিয়ান এয়র ফোর্স/ভারতিয়া বায়ু সেনা
## এয়র ফোর্স স্পোর্টস কন্ট্রোল বোর্দ
## সি/ও এয়র ফোর্স ষ্টেসন ন্যু দেল্লি, রেস কোর্স, ন্যু দেল্লি-১১০০০৩

১. এয়র ফোর্স বোয়জ স্পোর্টস স্কৱাদ্রোন (এএফবিএসএস) অসি জলাহাল্লি, বেঙ্গলুরুদা লৈ। মসি তুংদা ইন্টরনেসনেল স্পোর্টস কম্পিটিসনশিংদা ঐখোয়গী মেডলগী প্রোস্পেক্টশিং হেনগৎহন্নবা খনগৎলবা স্পোর্টস দিসিপ্লিনশিংদা শান্না খোৎনবা পান্বশিংবু খনবা অমদি মখোয়বু শেম্বীবগী প্রোভিজন লৈবা ইন্দিয়ান এয়র ফোর্স অমসুং স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী জোইন্ট ভেঞ্চর অমনি। মফম অসিদা ক্লাস টুয়েল্ব ফাওবা লেম্না মহৈ তম্বা, লৈবগী খুদোংচাবা পীবগা লোয়ননা ক্বালিফাইদ কোচশিংগী মখাদা স্পোর্টস ত্রেনিং পী।

২. এয়র ফোর্স বোয়জ স্কৱাদ্রোনগী স্পোর্টস কেদেটশিং খনবগী ইন্দক্সন রেলি **রেষ্টলিং** মশান্নগী ওইনা কুমজা ২০২৪ গী ফেব্রুৱারী ১৩ দগী ১৬ ফাওবা ন্যু দেল্লিদা কন্দক্ট তৌগনি অমসুং বোক্সিং মশান্নগী ওইনা ২০২৪ গী ফেব্রুৱারী ২৭ তগী মার্চ ০১ ফাওবা গুৱাহাটিদা কন্দক্ট তৌগনি।

৩. চহী : এপ্রিল ০১, ২০২৪ দা চহী ১১-১৫ (এপ্রিল ০১, ২০০৯ দগী মার্চ ৩১, ২০১৩ ফাওবগী মনুংদা পোকপা ওইগদবনি)

৪. ইদুকেসন : এপ্রিল ০১, ২০২৪ দা ক্লাস ৬ তগী ৯ ফাওবদা তম্লিবা

৫. স্পোর্টস দিসিপ্লিনশিং : বোক্সিং অমসুং রেষ্টলিংদমক

৬. ইলিজিবিলিটি : ষ্টেট এসোসিয়েসন/নেসনেল ফেদরেসননা শকখঙবা ষ্টেট/নেসনেল টুর্নামেন্টশিংদা অহানবগী পোজিসন ৩ লৌবা ঙম্বা স্পোর্টসমেনশিং। মখাগী চহী, অৱাংবা অমসুং অরুম্বা কেটেগোরিগী নুপামচাশিংদমক সেলেক্সনগীদমক খন্নগনি।

| স্পোর্টস দিসিপ্লিন | চহী | অৱাংবা | অরুবা কেটেগোরি | কেটেগোরি |
|---|---|---|---|---|
| বোক্সিং | চহী ১১-১৫ | সেমি ১৫৩ | কেজি ৪০-৪৪ | - |
| | চহী ১১-১৫ | সেমি ১৫৩ | কেজি ৪৬-৫০ | - |
| | চহী ১১-১৫ | সেমি ১৫৩ | কেজি ৫১-৫৫ | - |
| | চহী ১১-১৫ | সেমি ১৫৩ | কেজি ৫৬-৬০ | - |
| | চহী ১১-১৫ | সেমি ১৫৩ | কেজি ৬১-৬৫ | - |
| | চহী ১১-১৫ | সেমি ১৫৩ | কেজি ৬৬-৭০ | - |
| | চহী ১১-১৫ | সেমি ১৫৩ | কেজি ৭১-৮০ | - |
| রেষ্টলিং | চহী ১১-১৫ | সেমি ১৫৩ | কেজি ৩৮-৪১ | ফ্রীষ্টাইল |
| | চহী ১১-১৫ | সেমি ১৫৩ | কেজি ৪১-৪৪ | ফ্রীষ্টাইল |
| | চহী ১১-১৫ | সেমি ১৫৩ | কেজি ৪৪-৪৮ | ফ্রীষ্টাইল |
| | চহী ১১-১৫ | সেমি ১৫৩ | কেজি ৪৮-৫২ | ফ্রীষ্টাইল |
| | চহী ১১-১৫ | সেমি ১৫৩ | কেজি ৫২-৫৭ | ফ্রীষ্টাইল |
| | চহী ১১-১৫ | সেমি ১৫৩ | কেজি ৫৭-৬২ | ফ্রীষ্টাইল |
| | চহী ১১-১৫ | সেমি ১৫৩ | কেজি ৬২-৬৮ | ফ্রীষ্টাইল |
| | চহী ১১-১৫ | সেমি ১৫৩ | কেজি ৩৮-৪১ | গ্রেকো রোমান |
| | চহী ১১-১৫ | সেমি ১৫৩ | কেজি ৪১-৪৪ | গ্রেকো রোমান |
| | চহী ১১-১৫ | সেমি ১৫৩ | কেজি ৪৪-৪৮ | গ্রেকো রোমান |
| | চহী ১১-১৫ | সেমি ১৫৩ | কেজি ৪৮-৫২ | গ্রেকো রোমান |
| | চহী ১১-১৫ | সেমি ১৫৩ | কেজি ৫২-৫৭ | গ্রেকো রোমান |
| | চহী ১১-১৫ | সেমি ১৫৩ | কেজি ৫৭-৬২ | গ্রেকো রোমান |
| | চহী ১১-১৫ | সেমি ১৫৩ | কেজি ৬২-৬৮ | গ্রেকো রোমান |

খঙজিনগদবা (এ) স্কিল লেভেল অমসুং রিপ্রজেন্টেসনগী মখা পোন্না কম্পিটেন্ট ওথোরিটিনা অরুম্বগী কেটেগোরিগী য়েংদনা প্রেস্ক্রাইব তৌবা চহীগী কেটেগোরি মনুংদা লৈবা নুপামচাশিং খনবা য়াই।

(বি) নুপামচাশিং খনগদৌরিবসি শুপ্নগী মেরিটতা য়ুম্ফম ওইরগনি, অমসুং করিগুম্বা চুনবা কেন্দিদেট ফংদবা তারবদি অরুম্বগী কেটাগোরি খুদিংমক্কী অঙাংশিং খনবা হায়বসি কম্পলসরি ওইরোই।

৭. **ইন্দক্সন রেল্লিগী সেদ্যুল**

| | রেষ্টলিং | বোক্সিং |
|---|---|---|
| মফম | এগজিট গেট, এয়র ফোর্স ষ্টেসন ন্যু দেল্লি রেস কোর্স ন্যু দেল্লি | অন্দর কন্সত্রক্সন ওদিটোরিয়ম নিয়র ১১এএসসি, নিয়র ভিআইপি ফ্লাই ওভর, এয়র ফোর্স ষ্টেসন বোরঝার, গুৱাহাটি, অসাম-৭৮১০১৫ |
| তারিক | ফেব্রুৱারী ১৩-১৬, ২০২৪ | ফেব্রুৱারী ২৭ - মার্চ ০১, ২০২৪ |
| রিপোর্ট তৌবগী মতম | ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২৪ গী পুং ০৮৩০ | ফেব্রুৱারী ২৭, ২০২৪ গী পুং ০৭০০ |
| দোক্যুমেন্টশিং স্ক্রিনিং তৌবা | ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২৪ গী পুং ০৮৩০-১১০০ | ফেব্রুৱারী ২৭, ২০২৪ গী পুং ০৭০০-১০০০ |
| ত্রায়লশিং | ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২৪ গী পুং ১১০০-১৭৩০<br>ফেব্রুৱারী ১৪, ২০২৪ গী পুং ০৮৩০-১৩৩০ | ফেব্রুৱারী ২৭, ২০২৪ গী পুং ১১০০-১৭০০<br>ফেব্রুৱারী ২৮, ২০২৪ গী পুং ০৭০০-১৭০০ |
| মেদিকেল একজামিনেসন | ফেব্রুৱারী ১৫, ২০২৪ গী পুং ০৭০০ দগী | ফেব্রুৱারী ২৯, ২০২৪ গী পুং ০৭০০ দগী |
| রিজার্ভ নুমিৎ | ফেব্রুৱারী ১৬, ২০২৪ | মার্চ ০১, ২০২৪ |

৮. মথৌ তাবা দোক্যুমেন্টশিং : ওরিজিনেল বার্থ সার্টিফিকেট, অধার কার্দ, একাদমিক্স অমসুং স্পোর্টস সার্টিফিকেটশিং অমসুং পাসপোর্ট সাইজ কলর ফোটোগ্রাফ ০৪

৯. ত্রাভেলিং /বোর্দিং/লোদজিং: নশানা এরেঞ্জ তৌগদবনি (ইন্দক্সন রেল্লি মনুংদা)

১০. হংবিনিংবশিং লৈরবদি কন্টেক্ট তৌবীয়ু ০১১-২৩০১৪১৬০ দা পুং ০৯০০ দগী ১৭৩০ ফাওবগী মনুংদা নৎত্রগা ই-মেইল তৌবীয়ু- bluesport.3@gov.in দা

খঙজিনগদবা : (এ) সেলেক্সনগী ত্রায়েল অসি ইন্দিয়ান এয়রফোর্সতা থবক চংবগী নত্তে।
(বি) টাউটশিং/এজেন্টশিংদগী চেকশিনবীয়ু। মেরিট খক্তদা য়ুম্ফম ওইরবা সেলেক্সন তৌগনি।

cbc-10802/11/0047/2324